থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থবক! অফবা অমসুং ফত্তবা



'লৈপুং ফম্বা' - হায়বা ৱাহায় অমা ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদা লৈরম্মী। ৱাহায় অদু মীওই খরা পূল্লগা ফম্বা, লৈকায়গী ৱা/লৈবাক্কী ৱা ঙাঙনফম মীফম অমগী মমীংনি। মীগী ৱা (মীৱা) ঙাঙনফমসু ওইরম্মী। মরু ওইবা/ওইদবা, কান্নবা অমদি কান্নদবা পাউ অমা লৈকায় লান্না, লৈবাক শীন্না শন্দোকখিনবই মেদিয়ম অমা ওইনরম্মী - মরু ওইনা নুপাশিংতগী ওইবা প্লেটফোর্ম। নহা অমদি অনীমক্না তৌনরম্বা 'মতম লেনব'গী পাম্বৈ অমসু ওইরম্মী - লৈপুং ফম্বা। নুমিদাংৱাইরম খুদিং, খুনগী লম্পাক মচিদা নুপা মঙা-তরা পূল্লগা তৌনরম্বা তঙাইফদবা থবক অমনি। ঙসিদি উখিদ্রে। ঙসিগী মীরোল অসিদা চন্নফম লৈত্রবা লোন অমা ওইরক্লে - লৈপূং ফম্বা। ইচাশিংনা খঙখিদ্রে।

নুপাশিংগী লৈপূং ফম্ব'গুম্বা নুপীশিংগীসু অমা লৈরম্মী - 'হীক কাইনবা', নুপীশিংনা তৌনরম্বা 'মতম লেন্ননবা পাম্বৈ' অমা। কোক'তা হীকসু লৈখিদ্রে। 'মতম লেনবা' হায়বা থবক্তুসু মাঙখরে।

ইজরুবা পাউদমসি অতৈ ৱা হায়রুনবা নৎচদে। থবক্কী ৱা অমখক হায়নীংলুবনি। মতম লেনবা হায়বা ৱাহৈসিগী অতোপ্পা মফোঙদোক অমা থিননবা হোৎনরুবদা খল্লকপনি - 'থবক লৈতবা' নৎত্রগা 'থবক তৌফম খঙদবা'। থবক তৌফম খঙদবদগী তৌহৈদবা থবক অমা তৌরুবা। থবক লৈতবগী থবকনি- পাউদমসিগী অহৌবদা পঞ্জখ্রিবা থবক অনী। শা-ঙা-তূমিৎ-কাঙসু লেপ্পা লৈত' থবক তৌই। থবক্কী খ্বাইদই অঙকপা মেছিনসি, হায়নৈ ককচেঙ হায়বা জীবদুনি, থবক্কীদমক খ্বাইদই ইনইফেক্টিব ওইবা মেছিনসিনা মীওইবগী হকচাং। অদুবু, মীওইবদা পীরম্মী - থোইদোক হেন্দোকপা কোক। কোক্তুগী মতেংনা তৌরকই - অঙক অঙকপা থবক, পূন্নমক্তই থোইদোক হেন্দোকপা।

মীওইবগী ৱাখল লৌশিংনা চাওখৎলকপদগী, তাইবঙগী 'অমম্বা অমদি অঙানবা' অনী লৈবসিগুম্না মীওইবগী থবকসু মখল অনী থোল্লকই - অফবা অমদি ফত্তবা। অফবা থবক তৌরিবা মীদুবু কৌই 'অফবা মী', ফত্তবা থবক তৌরিবদুনা 'ফত্তবা মী'। মী হায়বসিবু মমা ওইবশিংনা তাইবঙদা খুদোল তৌরকপদা অফবা মী অমদি ফত্তবা মী হায়দুনা, তোখায় তোখায় মখল অনী খায়দোল্লক্তে। অদুগা করম্না, কনানা খায়দোল্লিবা? মীওইবা খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মতিক মঙম পীনরকই তাইবঙ শেম্বা মপুনা। অদুগা, মানা মানা লৈরুরিবা মফম অমদি মতমগী মতুংইন্না মান্নদবা থবক কয়া। থবকশিং অদুবু মীওইবনা অমুক খায়দোকই - 'সিনা অফবনি, 'সিনা ফত্তবনি।

রত্নাকর দাকু! মতম অমদা ওইরম্মী ফত্তবা মী। মীগী মপোৎ মুনবা/হুরানবা অমদি হাৎপা/তূপ্পা - মহাক্কী অমত্তা ঙায়রবা থবক ওইরম্মী। করিগী? মাগী নুপী অমদি মচাশিংবু হিংহন্নবা, মখোয়গী মপুক থাক্লবা। মচাশিং অমদি লোয়নবীদুগী মফমদদি মহাক অফবা মী অমনি। মহাক্লা মপোৎ মুনবীখ্রবা হাত্তোকপীখ্রবা ময়ামদুগী মরী মতা, ইমুং-মনুংগী মফমদনা মীফত্তা। মহাক্লা তৌরিবা থবক অদুগী অফ-ফত্ত, অচুম-অরান খন্থবা ঙম্নবা মরৌশিং হাপ্পীখ্রবা মতুংদা, রত্নাকর থবক হোংলকখি, বালমিকি মুনি ওইরকখি। মহাকাব্য 'রামায়ন' ইরকখি।

সোমালিয়ন সি-পাইরেট-সোমালিয়াগী মীয়াম হিংহন্নবা, সমুদ্রগী লম্বীদা হি অমদি জহাজ তোংদুনা চৎপা মীয়ামদগী মরল-মথুম, সনা-লুপা মুনবা অমদি মীগা শেলগা ওন্নবগী থবক তৌরিবা; আই এস আই এসকী লান্মীশিংনা মুসলমানশিংতগী ওইবা লম 'ইস্লামিক ষ্টেট' শেম্নবা চথুরিবা মীহাৎ মীপূন; ইন্দিয়াগী লৈঙাক য়ানীংদে, তোখায়বা লৈবাক ওইজখ্রগে লালহৌরিবা লান্মীশিং; মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা মীয়ামগী য়াইফবা তৌগনি ৱাশকখিবা লুচিংবশিং, শেঞ্জা-থুমজা তৌরগা মরন্নাই মরল লেপ্পশিং ... পূন্নমক মাগী মাগী ইমুংদা/মরমদা অফবা মী ঙাক্তনি।

ঙসিগী মীরোল অসিদসু 'থবক' কী কন্সেপ্ট অমদি দিফিনিসন হোংবদুননি 'থবক ফংদবা' হায়বা ৱাহায় অমা পুথোল্লক্লিবা। হুমাং তাদনা শূবা থবক (হ্বাইট কোলর জোব) অদুনা থবকনি, 'হুমাং তানা শূবা থবক' (ব্লু কোলর জোব) অদুনা থবক নত্তবা - অনৌবা মীরোলগী ৱাখল্লোননি। মায় পাকপা হায়বসি শেল য়াম্না ফংবদুনি - অনৌবা পুন্সিরোল ওইরকই।

অমনা হায়, মায় পাক্লবা মী অমগী মাঙদদি তৌদ'-য়াদবা থবক কয়ানা পরেং শানা ঙাইদুনা লৈ, মায়থীরবা মীশক অমনা হায় - থবক লৈতে, থবক পীয়ু। এসলি ব্লিল্লিঅন্ত কৌবা অমেরিকান ওন্ত্রপ্রিন্যুর'দুনা হায়খি ... 'ঐনা নোংমগী মতম অসিবু অমুক্তদা পুল্লপ পায়শিনগে হোৎনরুই, অদুবু অঙকপনি, মশীং থিঙমদ্রবা নুমিৎ কয়ানা ঐঙোন্দা অমুক্তদা পুল্লপ লান্দারকখি'...।

লৌশিং পুক্কে

# মোদর্ন মেদিসিন অমদি মসিগী খোঙচৎ-১

মোদর্ন মেদিসিন নৎত্রগা হৌজিক ঐখোয়না মেদিসিন হায়না খঙনরিবা অসি ১৮শুবা চহীচাদা ইন্দষ্ট্রিএল রিভোল্যুসনগী মতুংদগী থোল্লকখিবনি। হায়রিবা মতম অসিদা ৱেষ্টর্ন য়ুরোপ অমসুং অমেরিকাদা ইকোনোমিক এক্টিবিটিগী লমদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলকখি।

১৯শুবা চহীচাগী মতমদা ইকোনোমিক অমদি ইন্দষ্ট্রিএলগী লমদা মখা তানা চাওখৎলকখি অমদি সাইন্টিফিক দিসকোভরিশিং অমদি ইনভেন্সন কয়া লেপ্তুনা পুথোক্লরকখি।

সাইন্টিষ্টশিংনা লায়না-লাইওং কয়া মশক খঙদোকপা অমদি অনাবদগী ঙাকথোকপা অমসুং বেক্টরিয়া অমদি ভাইরসশিংনা মতৌ করম্না থবক তৌবগে হায়বা খঙদোকপগী মতাংদা খোঙজেল য়াঙনা থবক তৌরকখি।

অদুমওইনমক, ইনফেক্সিয়স দিজিজ কয়া লায়েংবা অমদি ফহনবগা মরী লৈননা মখোয়না তৌগদবদি অসুক্কী মতীক য়াল্লম্মী।



ইন্দষ্ট্রিএল রিভোল্যুসন

**ইনফেক্সিয়স দিজিজশিং**

১৯শুবা চহীচাগী মতমদা মীওইবগী পুন্সি মহিং অমদি থবক শুবগী মওংদা য়াম্না চাউনা অহোংবা কয়া লাকখি। অহোংবশিং অসিনা মরম ওইরগা ইনফেক্সিয়স দিজিজশিং অমদি অতোপ্পা লায়না লাইওং কয়াগী খুদোংথীবা লাকহল্লম্মী।

**ইন্দষ্ট্রি:** মেন্যুফেকচরিং প্রোসেস কয়া মেকানাইজ তৌনরকপগা লোয়ননা থবক শূবগা মরী লৈনবা লায়না কয়া থেংনবা হেল্লকখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা লং দিজিজ, দর্মাটাইটিস, ফোসি জো হায়না খঙনবা ফোস্ফোরস শীজিন্নদুনা থবক শূবা মীশিংদা নাবা- মরুওইনা মৈখেৎকী ইন্দষ্ট্রিদা তোয়না থোক্কনবা লায়নাশিং অসি য়াওরি।

**অর্বান স্প্রোল:** সিটি কয়া য়াম্না থুনা চাউথোরকপা হৌরকখি অমদি মসিগী মহৈ ওইনা টাইফস অমসুং কোলেরাগুম্বা অকন্নবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়া থোকপগী চাং হেনগৎলকখি।

**লম চৎপা:** মীওইবনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চথোক-চৎশিন তৌবদগী য়েল্লো ফিভর য়াওনা লায়না কয়া মখোয়না চেল্লকখি।

মতম অসিদা সাইন্টিফিক ওইবা খুমাঙ চাওশিনবা কয়ানা অতোপ্পা লায়েং মখলশিংগী ওইথোকপা য়াবা খরা থেংনরকখি।

**সাইন্টিফিক ব্রিকথ্রু:** 'জর্ম থীওরি' দিভেলপ তৌরকপগা লোয়ননা সাইন্টিষ্টশিংনা অশোক-অপন লায়েংবদা অমদি ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকপদা হাইজিন অমদি এন্টিসেপ্সিসকী প্রিন্সিপলশিং টেষ্ট তৌদুনা শীজিন্নবা য়ারে হায়না প্রুব তৌবা হৌরকখি। অনৌবা ইনভেন্সনশিংগী মনুংদা হার্টকী ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভিটি রেকোর্দ তৌনবা ইলেক্ট্রোকার্দিওগ্রাফশু য়াওরি।

**কম্যুনিকেসন্স:** পোষ্টেল সর্ভিস অমদি অতোপ্পা ঈ-পাউ ফাওনবগী পাম্বৈশিং ফগৎলকপনা মেদিকেলগী ওইবা ৱাখল-লৌশিংশিং য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্লকখি।

**পোলিটিকেলগী অহোংবশিং:** দিমোক্রেসিনা মরম ওইরগা মীওইবনা হকশেল হায়বসি মীওইবগী রাইট অমা ওইনা দিমান্দ তৌবা হৌরকখি।

১৯শুবা অমদি ২০শুবা চহীচাগী মতমদা ইনফেক্সন কন্ট্রোলগী লমদা য়াম্না চাউনা অহোংবা লাকপা উখি। ১৯শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা মতমদা শিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩০দি ইনফেক্সননা থোকহনবা ওইখি। হায়রিবা মশিং অসি ২০শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা মতমদদি চাদা ৪ দা হন্থরকখি।

**লুইস পাষ্টিয়র**

লুইস পাষ্টিয়র (১৮২২-১৮৯৫) কেমিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা মাইক্রোবাইওলোজিষ্ট অমসু ওইবা ফ্রেঞ্চ মচানি। মহাক অসি মেদিকেল মাইক্রোবাইওলোজিগী ফাউন্দরশিংগী মনুংদা অমনি।

ফ্রাঞ্চতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ লিল্লেগী কেমিষ্ট্রি প্রোফেসর অমা ওইনা মহাক্লা মহাক্কী টিমগা লোয়ননা লোকেল ইন্দষ্ট্রিশিংদা শোকহনবা প্রোব্লেম খরগী সোল্যুসনশিং পুথোকপগী থবক তৌখি।

য়ু, বিয়র অমদি শঙ্গোম অসি বেক্টরিয়ানা মরম ওইরগা মনম নমথিহল্লি হায়না পাষ্টিয়রনা উৎখি। মহী অমবু মৈদা শৌহনবা অমদি ঈংথহনবনা য়াওরম্বা বেক্টরিয়া লৌথোক্কনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লুইস পাষ্টিয়র অমদি ক্লাউদ বরনার্দ (১৮১৩-১৮৭৮) অনী পূল্লগা মহীশিংবু পাসচরাইজ তৌবগী টেক্নিক পুথোকখি।

মসিগী মতুংদা, ফ্রাঞ্চকী খা থংবা শরুক্তা সিল্কৱর্মশিং অমদি সিল্ক ইন্দষ্ট্রিদা শন্দোরকখিবা লায়না লায়চৎ অমবু ইনভেষ্টিগেট তৌরবা মতুংদা লায়চৎ অদুগী থোকহনবা মরম অদু পেরাসাইটশিংননি হায়না পাষ্টিয়রনা লেপখি। মহাক্লা পেরাসাইট য়াওদবা সিল্কৱর্ম মরুমশিংখক্তং শীজিন্ননবা রিকম্মেন্দ তৌখি। মহাক্কী ৱারেপ অসিনা মরম ওইরগা লায়চৎ অদু লাকশিনবা ঙমদুনা সিল্ক ইন্দষ্ট্রি কনখি।

পেথোজেনশিংনা হকচাংবু মপান্দগী লান্দারকই হায়বসি পাষ্টিয়রনা চপ চানা থাজরম্মী। মসি লায়নাগী জর্ম থিওরি ওইরম্মী। অদুমওইনমক সাইন্টিষ্ট কয়ানদি মীৎনা উবা ঙমদবা মহীকশিংনা মীওইবা অমদি অতৈ থৱায় পানবশিংবু শোকহনবা ঙম্মী অমদি অমদি হাৎপফাওবা ঙম্মী হায়বসি থাজবা ঙল্লমদে।

পাষ্টিয়রনা হায়খি মদুদি, ট্যুবরক্যুলোসিস (টি বি), কোলেরা, এন্থ্রাক্স অমদি স্মোলপোক্স য়াওনা লায়না কয়া ইনভাইরনমেন্টতগী মহীকশিংনা হকচাংদা চঙলকপদগী নাহল্লি। অসিগুম্বা লায়নাশিং অসি ভেক্সিনশিংনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা থাজরম্মী অমদি রেবিসকী ভেক্সিন শানবা হোৎনরম্মী।

## লংমাইচীংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোলগীদমক শেলগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): লংমাইচীংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর) গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং শাগৎলিবা অসিগীদমক শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঙ্গোর খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থোকচোম রঘুমনি মৈতৈ, লমদিং নাশিখোং লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০২০, হিজম রতন লুৱাং, ৱাংজিং হোদাম্বা কান্তিনদা লৈবনা লুপা ১০৫০, মোইরাংথেম শান্তি মৈতৈ, ৱাংজিং কৈথেলদা লৈবনা লুপা ১০১০, লাইশ্রম তোম্বা খুমন, খাঙবোক পার্ট টুদা লৈবনা লুপা ১০১০, ময়েংবম জিবন মৈতৈ, ৱাংবল লম্বোইথোংদা লৈবনা লুপা ১০১০, য়ুম্নাম সোমোরেন্দ্রো, খাগেমপল্লি পন্থক্তা লৈবনা লুপা ২০,০০০, মণিপুর কবুই য়ুনিয়ন, মহাবলি কবুই খুলনা লুপা ২০,০০০, ডা. য়ুম্নাম সদানন্দ, য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবনা ১০১০, লাইফ্রাকপম প্রিয়োবন্তা, বাশিখোংদা লৈবনা লুপা ১০০০, চনম প্রিয়োবর্তা, খোংমন জোন-১দা লৈবনা লুপা ৫০০০, লাইশ্রম ইমোথোই, খাগেমপল্লি পন্থক্তা লৈবনা লুপা ৩০০০, ম্যিন্ত-ম্যিন্ত-য়ি, মন্দলে, ম্যান্মারদা লৈবনা লুপা ১০,০০০, ওইনাম খেত্রাজিৎ, সোইবম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ৩৩৩৫, খুরাইজম গুনেশ্বর অমসুং বিনো লৈমা, ইথাই খুনৌদা লৈবনা লুপা ১৫৫৫, থিয়াম পিশক, হৈরাঙ্গোইথোং কৈবুংদা লৈবনা লুপা ১০০০, নেপোতিয়ান উরুংপুরেল ময়ুম, তেরা অমুদোনদা লৈবনা লুপা ১০০০, হেনরি ওক্রম, এম এল এনা লুপা ১০,০০০, এক্সু নিংথেমচা খুল মৈতৈ ফুরুপনা লুপা ১০০০ তেংবাংবীরকখি।

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখে লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা লাইয়িংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুন্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। শাগৎচরিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিঞ্জনবগীদমক কংলৈ য়ুমথোং অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরমগী তেংবাংবীরক্কবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা ১০০০ দগী তাদনা তেংবাংবীরকপা মীওইশিংগী মিং, লৈফম লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবগা লোয়ননা লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হত্তুনা তুং কোয়না নীংশিংননবা থমগনি। অকুপ্পা মরোল সনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবীগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়ুঙাংগী গোদাউন থমগনি হায়বা লৈঙাক্কী ৱারেপ অরানবা খোঙথাংনি : কাদা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): য়ুগী ঈচাউ থোল্লিবা লমদম অসিদা য়ুঙাংগী গোদাউন থমগনি হায়বা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ অরানবা খোঙথাংনি হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিদা কুম্মজা ১৯৭০ গী চহী পরিংদগী হৌদুনা মণিপুরদা নিশা বন্দি শেমদুনা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়াগী মায়োক্তা মণিপুরগী লৈকায় লৈকায় খুদিংদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লকপগী মহৈ ওইনা কুম্মজা ১৯৯১ দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ শেমদুনা চৎনবা হৌখি। দ্রাই ষ্টেট লাউথোকখি। অদুবু লাইবক থীবদি এক্ট অদু মরিল হোবা, মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা য়ানবা এক্ট ওইবনা ঙসিসু লমদম অসিদা য়ু মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। এক্ট অসিবু মপুং ফানা চৎনহন্নবা পুকচেল শেংনা হোৎনদবনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা ফোরেন লিকর অমদি দিষ্টিলেদ ইন্দিজিনস কন্ট্রি (দি আই সী)/য়ুঙৌ মরাং কায়না ফংলি।

য়ু মরাং কায়না ফংবগী মহয়না খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা নহারোল কয়াগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরিবনি। অসিদসু নত্তনা এদল্টশিংগী মরক্তসু লিভর সিরোসিসনচিংবা য়ু থকপগা মরী লৈনবা অনাবগা শাগোন্নদুনা শিবা ঙাইনা হিংবা মীওই কয়া মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরবনি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা খুৎশেমগী ওইবা লুখ্রাবী কয়া নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লি। ৱাফম অসিমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খিবা লৈরবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চত্থখিবা সর্ভেরিপোর্ট অদুগা তোঙান তোঙানবা এজেন্সীশিংগী সর্ভে রিপোর্টশিংদসু মণিপুর অসি ৱাংনা লৈরবনি। লাইবক থীবদি সর্ভে রিপোর্টশিং অসিদা মণিপুরদা নুপীশিং য়ু থকপগী চাংসু ৱাংনা লৈরবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি ঐখোয় লাইনা লৌবা চুল্লোই। য়ুনা মরম ওইরগা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোনদা অদুগা হকশেলদা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি লৈঙাকপশিংনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা চুল্লোই। রোদ এক্সিদেন্টগী চাং চাদা ৩০ দি য়ু থকপদগী থোকপনি হায়বা ৱাফমসু লৈরিবনি। য়ুগী চৈনা চৈথেং কোক্ত্রিবা লমদম অসিদা লৈঙাক্লা য়ু থিংনবা হোৎনবগী মহুৎতা লমদম অসিদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌহন্নবা য়ু শুংহন্নবা মায়কৈরোমদা কোক থাদদুনা লৈরে। মণিপুর মীয়ামগী হকশেলগা শুপ্নগী রেভিন্যু খরগা মন্তিক্লদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু মাঙহন্নবা হোৎনবা থৌওং অমত্তা লৈবাক মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই। দিমাপুরগী বোন্দেদ ব্রেরহাউসতা মণিপুরগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা শীজিন্নবা য়ু থল্লিঙৈ মণিপুরদা য়ু মরাং কায়না ফংলবা মতমদা হৌজিক অমুক মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট শেমদোক্তুনা মণিপুরদা য়ুঙাংগী বোন্দেদ ব্রেরহাউস/গোদাউন থমগনি হায়বসি লাইবক থীবনি।

ইম্ফালগী পাউনা কৈথেল অমসুং থাংমৈবন্দগী দি এম কোলেজ গেটকী মায়োক্লবদা লৈরম্বা বোন্দেদ ব্রেরহাউস এক্সাইজনা থিংজিনখিবনি। অদুগা হৌজিক অমুক নৌনা মণিপুরদা হাংগদৌরিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিনো। লৈঙাক অসিগা ৱাদনা শেল তানবা পাম্বা মীওই খরগা লৌতুনদুনা য়ুঙাং লল্লোন-ইতিক তৌনবা হোৎনরব্রা হায়বসি অচৌবা চিংনবা অমনি। মণিপুরদা য়ু মপুং ফানা থিংননবা মতমগা চুনবা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট অমা ওইননবা হোৎনবদি তৌদনা মণিপুরদা চৎনরিবা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট শেমদোক্তুনা য়ুগী গোদাউন থমগনি হায়বা ৱাফম অসি মরম চাবা ৱাৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পোল্ট্রি ফার্মরশিংগী ওইবা থা ১গী স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম কে ভি কে চান্দেলদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): পোল্ট্রি ফার্মরগী মতাংদা থা ১গী স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কে ভি কে চান্দেলদা থা অসিগী ২৪দা হৌদোকখ্রে।

এগ্রিকলচর স্কিল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সরসিপ মখাদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২১ ফাওবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চত্থগদবনি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি চান্দেলগী ফার্মরশিংগীদমক মমাঙ চহীদসু পাঙথোকপা লৈখ্রে। ফার্মর ২০ লোমদা স্কিল ট্রেনিং অসি ফংহনগনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মরুওইনা য়ুমদা য়োকপা ঙানু, য়েন মতৌ করম্না মায় পাক্লা য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদা নীংথিনা খঙহন্নবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজনগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এন প্রকাশ, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. খাইদেম সুরচন্দ্র অমদি কে ভি কে চান্দেলগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. দীপকনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডা. এন প্রকাশনা হায়খি, আর জি এম অমদি নেসনল লাইভ ষ্টোক মিসননচিংবা স্কিম কয়া লৈরি। সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনসি। শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক য়ুমদা য়োকপা য়াবা ঙানু, য়েন নীংথিনা য়োকপগী মতাংদা হৈ-শিংবা কয়া অদু খঙনবা হোৎনগদবনি। অখঙ-অহৈশিংনা তাক্কদৌরিবা কয়া নীংথিনা লৌশিনহৌদুনা মায় পাকপা ওইনবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডা. দীপকনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা স্কিল ট্রেনিং হায়বসি য়াম্না মরুওই। ঙানু, য়েন লোইবা অমদি লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা থবক কয়া পায়খৎতুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কে ভি কে চান্দেলগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## কা-হেনবা শাজৎ চৎখিবা মপা চৈরাক পীয়ু : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মচানুপীদা কা-হেনবা শাজৎ চৎখিবা মপা চৈরাক পীয়ু হায়না ওর্গনাইজেসন ফোর ইন্দিয়ন ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর এস সোবিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম অমদা চৎখিবা থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। নুপী খায়নবগী চাং লমদমসিদা ৱাংখৎলক্লি। মমা-মপা শেৎন-খায়নদুনা মপাগা লৈমিন্নহৌবা মচাশিং লাইবক থীনিংঙাই ওইরে। নুপীমচা অদুসু মপাগী মনাক্তা লৈহৌবনি। অঙাংসিগী মবোক্ল। অঙাং অসি শেন্নবা ঙল্লরোই হায়বগী মমানা লৌরুবনি। মমাদা অঙাং অসিনা ৱারী লীরকখিবনি। নুপীদা ওৎ-নৈবগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০১।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ১০.৪৬ ফাওবা ফাইরেলগী ৪ নি পানগনি, মতুং ৫নি পাল্লনি।

মেষ : চরাংনরদি মরুপ কাইনগনি, ফিংলদি নুংশাথিবা নংবা য়াই অমদি হোয়া ফগনু। ঙাঙবা শকপা অমদি পোরম য়াৎপা হৈবনা থবক্তি পাংগনি, মীংচৎসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

বৃষ : নচাক নরল চাওখৎপা অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। অঙম্বনদি চানবীবা ৱাৎকনি-ৱাঙাঙ চেকশিল্লু। পংশিন্নৌ অমদি থিজিনবা লেপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিথুন : লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা, থবক্তা শেল থাদবা য়াবা নুমিৎনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। লৌশিংদি খরা ৱাৎকনি অদুনা লৌশিং চাউবা লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট : লাইবক ফবা ৱাৎকনি অমদি মরম চাই-চাদে খঙদনা ইচং থৌগনু-লন মাঙগনি। অয়াম্বা থবক্তা মরুপ লোয়নবা কান্নগনি, পন্দুনা লৈরম্বা শেলদি ফংবা য়ারে।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং খরদি পেনগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ : অফবা মফম ফংবা, ঙাঙথোকপদা মীনা নুংশিবীবা অমদি থাগৎপিবা লৈগনি। য়েৎনবা লৈরম্বসু কোকচরগনি অমদি খাংবা কনবগী কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : নীংবা শোইদনা থুংগনি, অনীংবা থবক্তা খুৎচাউ থাবা য়াগনি অমদি অকিবা লৈতনা থৌদাং পাংবা কান্নবা ফংজগনি। অদুবু অরুবা থবক অমদি পনখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : মায় পাক্কনি, চিংনবা লৈতনা অনৌবা থৌ পাংবা য়াগনি অমদি মীচং খোম্বা য়াগনি। অঙম্বগা ৱাখল তান্নদবদি লৈগনি, মরুপ-মপাংনা ৱারৌদনবা অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : থবক্কী লম্দা মায় পাক্কনি, মীনসু লাকচবা ঙমলোই অমদি অফবা মফম কনজবা ঙমগনি। অদুবু ৱাখলগী পাঙ্গল শোন্থবা লৈবনা অনীংবা খুদিং পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : লৌশিং খরা ৱাৎকনি অদুনা মরৈ য়েৎপা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙবা মাঙবনা হেনগনি। মতম খরা ঙাইথবনা তুংদা চাউনা কান্নগনি। মরুপ্পা য়ানবা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম লাক্কনি-ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর : নীংজবা থুংগনি, মীচং হেনগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। থবক পাংগনি, মীয়াম্না চাল্লি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। শাগৈনদি চানবীদে, লৌথোকপি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্বা : মীয়াম্না য়াম্না য়াবা নুমিৎনি, ৱানোম থৌনোম্বসু মায় পাক্কনি অমদি হরাওবা নুংঙাইবা লৈগনি। অনম তানবনা অরেম্বদা চাদিং তৌবদি লৈগনি। খুৎ চাউবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

মিন : মীচং য়াম্না লৈগনি, হরাওবা নুংঙাইবা অমদি লন চাওখৎপা লৈগনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা অমদি হায়জবগী কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। অকিবা থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নরংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।